ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ৫-জে কে রাইফলসকী টিমনা লালহৌবা ৩ খূৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিনা পাউমীশিংদা পাউদম্বা

লামায় ৩

ফেক এনকাউন্টরগী কেস থেংনবা পুলিসনা ফন্দ খোমগৎপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলিবা মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবশিং

লামায় ১

মণিপুর অত্মা ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকপা অহানবা ওল মণিপুর অত্মা এন্যুএল মীটকী থৌরম

লামায় ৩

ANNUAL PRIZE DIST
বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ৪৫ রক শুবা চহীগী প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা বোর্দনা পীবা মনা য়েন্থোকপা

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.157 শগোলশেল, লাংবন ৯নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, August 31, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৩৪
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৩১

বোর্দর এরিয়াদা বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ : ওল মণিপুর বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (এ এম বি এ দি এ) না চুড়াচান্দপুরদা ফমখিবা কেবিনেট মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১ গী নোংয়াই ফাওবা ঙমখেদা লৈরিবা মণিপুরগী মফমশিংদা বন্দ কৌখ্রে। চুড়াচান্দপুর দি টি সীদা হৌখিবা জুলাই ১৪ দা ফমখিবা কেবিনেট মীফমনা বি এ দি পিগী স্কীমশিং ভিলেজ ওথোরিটিনা লুপা লাখ মঙাদগী হেন্না শীজিন্নবগী অয়াবা পীদবা হায়বদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বোর্দর এরিয়াগী মফমশিংদা বন্দ কৌখিবনি। কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বন্দ কৌবগা লোয়নননা মমাংদা ভিলেজ ওথোরিটিশিংদা বি এ দি পিগী স্কীমশিং লুপা লাখ ২০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াবগী নোর্ম অদু চৎনহনগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি। এ এম বি এ দি ...*মখা লামায় ৩*

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৩.৩২ °C	২৬.১২ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৬৬ °C	২২.০০ °C
সেনাপতি	৩১.৯৪ °C	২১.০৭ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৪.৫৮ °C	১৬.৫৮ °C
মণিপুর	৩৩.৪৩ °C	১৬.৫৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.০৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.336439
US Dollar	64.002302
British Pound	82.591078
Australian Dollar	50.775217
Chinese Yuan Renminbi	9.705539
Japanese Yen	0.580890
Malaysian Ringgit	14.989039
Norwegian Krone	8.215986
Singapore Dollar	47.201653
South Korean Won	0.056940
Swedish Krona	8.026764
Turkish Lira	18.531174
Myanmar Kyat	0.04698
Bangladesh Taka	0.78763

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30203.21
Mumbai	–	Rs 31283.42
Delhi	–	Rs 30534.76
Kolkata	–	Rs 30652.41

HL POLL

Q : Kumja 2022 faobada North East ki lalhoubagi wathok loishingani hairibasi thajaba ngambra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipuri lol nipan suba scheduled da challe hairaga ngasi faoba selyekta yaohandribasi yaningbra?

Yes	20%	No	80%

অস! লোইরেহে!

রাশি হাইফেৎ লৈহে...!

ꯔꯥꯁꯤ ꯍꯥꯏꯐꯦꯠ ꯂꯩꯍꯦ...!



তুমিন লৈয়ুহে, লমদেং ফাইটরদু ওইরমদনা, নমায় কায়ররনি...!

ꯇꯨꯃꯤꯟ ꯂꯩꯌꯨꯍꯦ, ꯂꯃꯗꯦꯡ ꯐꯥꯏꯇꯔꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯃꯗꯅꯥ, ꯅꯃꯥꯏ ꯀꯥꯏꯔꯔꯅꯤ...!

তোংজৈ মরিল লম্বী- ফোর্মেসন কট্টিংগী থবক চাদা ৯০গী চাংদা লোইশিল্লক্লে

‘ফন্দ মতম চানা থাদোক্তবনা প্রোজেক্টশিং অপীবা মতমগী মনুংদা লোইবা ঙমদ্রে’



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াগী ৱারী শীংবুলশিং লোয়নরিবা তোংজৈ মরিলগী লম্বী চাদা ৯০গী চাংদা ফোর্মেসন কট্টিংগী থবক লোইশিল্লে, লম্মাংদোং কৈথেলদগী কিলোমিটর ২০ ফাওবদি অহানবা শরুক ওইনা কোইলাস মতেক-মতেক থারে।

পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী অপূনবা টিম অমনা থা অসিগী ২৮ দা তোংজৈ মরিলগী লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনমিন্নবদা মথক্কী ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। খোঙচৎ অদু পি দব্লিয়ু দিগীনা চীফ এঞ্জিনীয়র চোংথাম টিকেন অমসুং এদিটরস গিল্ড মণিপুরগীনা প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম মোবিনা লুচিংখি।

তোংজৈ মরিল লম্বীগী লম্মাংদোংদগী হৌরগা কিলোমিটর ২০ ফাওবনা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গী শেন্থং মখাদা এক্সটর্নেল এদেদ প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎপনি। অদুগা লেমহৌরিবা কিলোমিটর ৯১ গী শরুক অদুনা এন ঈ সীগী শেন্থং মখাদা কিষ্টোন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদনা পায়বনি। কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ফাওবদা লম্বী শেম্বগী থবক পুমলোই লোইশিন্ননবা পান্দম থল্লি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনীয়র চোংথাম টিকেননা পাউমীশিংদা হায়খি, লম্বী অসিগী খৌপুম য়ৌরমদায়গী শরুক্তা ইলেক্ট্রিসিটিগী অচৌবা টাৱর খরা লৈরিবসি হোংদোক্ত্রিবা ফাওবা ফোর্মেসন কট্টিংগী থবক পায়খৎপা য়াদবনা লম্বী মতেক অমা ফগৎহনবা ঙমদ্রি। এন ঐচ পি সীগা এম এস পি দি সী এলগা ৱারী শানরবা তুংদা য়ানবা অমগী মখাদা টাৱরশিং অসি হেক হোংদোকখিবগা মফম অসিগী ফোর্মেসন কট্টিং হৌগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লম্বী অসি শেম্বদা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী মতেং নীংথিনা পীবনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অয়েৎপা-অপনবা অমত্তা লৈতনা থবক শুরি। কম্পেন্সেসনগী মতাংদসু য়েংনবা অমত্তা য়াওদে। অদুমকপু মণিপুরদা থবক শুবগী মতম থা ৩/৪ রোমদগী হেন্না মতম ফংদবনা লম্বী শেম্বদা খুৱৌ থাংবগী থৌদোক্তি অদুমক থোক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বিষ্ণুপুরদগী রেংপাং য়ৌবা লম্বী অসিদা অচৌবা আর্ক ব্রিজ (অকোনবা থোং) অহুম অমসুং অপীকপা থোং অমা পূন্না মরি শাগনি। থোংশিং অসিগী ফাউন্দেসন অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। হৌজিক নোংজু থা ওইবা মরম্না মপুং ফানা থবক শুবা য়াদবদগী অকক্কবা শিন্নী খরখক থবক শুরি। অতেনবা মতম খরগী মনুংদগীদি শিন্নী ময়াম থাজিল্লগা থবক শুবা হৌরগনি হায়বগী থাজবা কিষ্টোনগী মায়কৈদগী পীরকপা লৈরে।

হান্না তোংজৈ মরিল হায়রম্বা অখূবা লম্বী অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। মরম অদুনা মখা তানা তোংজৈ মরিলগী মওংগুল্লবা লম্বী অদুদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

উকিল নেক্লবা পুলিসনা ফন্দ খোম্বা য়েংশিনবীনবা ৱাকৎখ্রে

‘সিনিয়র ওফিসর অমনা ইনভেষ্টিগেসন তৌহল্লু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : লোয়র নেক্লবা পুলিসনা ফন্দ কল্লেকসন তৌই হায়বা পাউ অমা পাউচেদা ফোঙলকপা অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগী মীহুৎশিংনা খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়না হ্যুমেন রাইট এলর্টকী দিরেক্তর বব্লু লোইতোংবমনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা বব্লু লোইতোংবমনা হায়খি, লোয়র নেক্লবা পুলিসনা ফন্দ কল্লেক্সন তৌই হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবা অসি লায়বক থিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়া, য়ুনিয়নশিং য়াওনা খন্ন-নৈনদুনা চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে। ঈ ঈ ভি এফ এ এমকী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বম, হ্যুমেন রাইট এলর্টকী বব্লু লোইতোংবম, ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপুনবা লুপকী ফুলিন্দ্রো কোন্সম, নিপকোগী করাম সুনিল, ঐচ আর দি এমগী রাকেস মোইরাংথেম, জষ্ট পীছ ফাউন্দেসনগী খাঙেম্বম অনন্দী অমদি সী ও ঐচ আরগী জিতেন য়ুম্নাম্না পুন্না খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি, লোয়র নেক্লবা পুলিসনা ফন্দ কল্লেক্ট তৌই হায়বা পাউ অমা পাউচে অমদা থা অসিগী ২৯ দা ফোঙলকপা থেংনরে। ৱাফম অসি য়াম্না লায়বক থিবনি।

ফেক ইনকান্তর কেসকী মতাংদা সী বি আইনা থিগৎনবা সুপ্রিম কোর্টনা দিরেক্সন পীখিবা অসিদা পুলিসনা লোয়র নেক্লবগীদমক অসিগুম্বা ফন্দ অসি কল্লেক্সন তৌবনি হায়বা ৱাফম লাক্লি। ফন্দ কল্লেক্সন তৌদ্রিঙৈ মমাংদা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কনফরেন্স হোলদা মীটিংনচিংবসু পাঙথোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টতা লৈবা কেসকী মতাংদা খন্নখি হায়বা ৱাফমসু রিপোর্ট অদুদা পল্লি। মসিগী মতুংদা আই জি পি অমনা পাউচে অদুমক্তদা পুলিসনা ফন্দ খোমগৎখিবা অদু ভলুন্টরি কন্ট্রিব্যুসন্নি হায়বা ৱাফম থল্লকপা লৈখ্রে। অসিগুম্বা ফন্দ কল্লেক্সনগী থৌওং অসি কন্দেম তৌই। ওফিসরশিং অদুগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎলু হায়বা ৱাফমসু পল্লি হায়নসু মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সিনিয়র এদভোকেট খায়দেম মনিনা হায়খি, লোয়র নেক্লবা পুলিসনা ফন্দ কল্লেক্সন তৌই হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবসি য়াম্না লায়বক থিবনি। মীওই খরনা অরানবা তৌরগা অতোপ্পা ময়াম অদুসু ফন্দ কল্লেক্সন তৌবা হায়বসি চুমদে। অসিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ঈ ঈ ভি এফ এ এমগী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বম, হ্যুমেন রাইট এলর্টকী বব্লু লোইতোংবম, ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপুনবা লুপকী ফুলিন্দ্রো কোন্সম, নিপকোগী করাম সুনিল, ঐচ আর দি এমগী রাকেস মোইরাংথেম, জষ্ট পীছ ফাউন্দেসনগী খাঙেম্বম অনন্দী অমদি সী ও ঐচ আরগী জিতেন য়ুম্নামসু শরুক য়াখি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চাকথোং গ্যাস ব্লেক্তা ফঙহন্দনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস ব্লেক্তা ফঙবগী ফিভম কয়া থেংনরিবা অসি নীংথিনা য়েংশিন্দুনা ব্লেক্তা ফঙহন্দনবা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সী এফ এন্দ পি দি) মিনিষ্টর করাম শ্যামনা সী এফ এন্দ পি দিগী ওফিসলশিং, আই ও সী, দিষ্ট্রিব্যুটরশিং অমদি পুলিস ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি অয়ুক সী এফ এন্দ পি দি, আই ও সী, পুলিস অমদি এল পি জি গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটরশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এল পি জি গ্যাস ব্লেক্তা ফঙহন্দনবগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, এল পি জি গ্যাস হায়বসি ব্লেক্তা য়োনবা য়াদবা পোৎলমনি। দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী খুত্থাংদা গ্যাস কার্দ হোল্ডরশিংদা ফঙগদবা পোৎলম অসি মতৌ করম্না ব্লেক্তা ফঙলিবনো হায়বসি কুপ্পা য়েংশিনফম থোকই। হীরম অমত্তদা এল পি জি গ্যাস ব্লেক্তা ফঙহনবা য়ারোই। হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা খন্ন-নৈনবগা লোয়নননা থবক পায়খৎফম থোকই। দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনসু য়াম্না নীংথিনা থবক তৌদুনা গ্যাস কার্দ হোল্ডর খক্তদা পীগদবনি। ব্লেক্তা এল পি জি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বাইওদাইভর্সিটি কন্নবা পান্থে পুথোক্কদবনি : সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

শিরুই লিলি অমদি শঙাই য়াওনা ষ্টেট অসিগী তাংলবা বাইওদাইভর্সিটি য়োকখৎতুনা থম্নবা সাইন্টিফিক ওইবা পান্থে পুথোক্লবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হোটেল ইম্ফালদা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা বাইওটেক হব ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী তরেৎশুবা রিভিয়ু এন্দ মোনিটরিং কম মেন্টনিং মীটিং হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীওইবনা মহৌশাগা শাগোন্নদুনা হিংবা তমগদবনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, বাইওটেক্নোলোজি শীজিন্নবা মতমদা মমল য়াম্লবা বাইওদাইভর্সিটিগী লন য়োকখৎতুনা থম্বগী ৱাফম কাউথোক্লোইদবনি। ফীভম শোক্লবা লোক্তাক পাৎ, শঙাই অমদি শিরুই লিলিগী ফীভম মীরাইবা তৌরোইদবনি। অতাংবা মখলগী পাম্বী অমসুং শা মখল অসি খোঙ্গুল মুৎখিবা থোক্লবদি অমুক হিঙ্গৎহনবা ঙম্লোইদবনা বাইওদাইভর্সিটি অমসুং ইকো সিষ্টেমগী রিছোর্স মাঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

কুমজা ২০০২ দগী হৌনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা থৌরাংশিংদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা মরম্না এগ্রিকলচর, ফূদ, ইনর্জী নৎত্রগা ইনভাইরোনমেন্টনচিংবা ইকনমিগী সেক্টর খূদিংমক্তা বাইওটেক্নোলোজিনা লৌবা ঙম্বা থৌদাং ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

বাইওটেক্নোলোজিগী মতেংনা ষ্টেট অমদি রিজন অসি মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা বাইওটেক্নোলোজিষ্টশিংনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মদুনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেমগৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পান্দমদা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লগনি।

কিহোম, কচাইগী চম্প্রা, কোল্লা, অতাংবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

প্রধান অহুম, ৱার্দ মেম্বর ৩৮৬ লম্বা য়াওদনা কারে হায়না লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

চহী অসিগী ওক্টোবর ৭ তা পাঙথোক্কদবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী মীরেপচে লৌথোকপা লোইনখ্রবা তুংদা প্রধান অহুম অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ট টেরিটোরিএল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ৱার্দ মেম্বর ৩৮৬ লম্বা য়াওদনা কারে হায়না রিটর্নিং ওফিসরনা লাউথোকখ্রে।

লম্বা য়াওদনা কারে হায়না লাউথোকখ্রবা প্রধানশিং অদু এস দি ও ৱাঙ্গোইগী মখাদা অমা, রিটর্নিং ওফিসর/ এস দি ও নম্বোলগী মখাদা অমা অমসুং রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও পোরোম্পাৎকী মখাদা অমনি।

ৱার্দ মেম্বরশিং অদুদি, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও শওম্বুংগী মখাদা ২৮, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও পোরোম্পাৎকী মখাদা ৩৩, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও কৈরাও বিত্রগী মখাদা ২২, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও লমশাংগী মখাদা ২৩, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও পাৎশোইগী মখাদা ১৫, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও ৱাঙ্গোইগী মখাদা ৩১, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও লিলোংগী মখাদা ২৩, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও থৌবালগী মখাদা ৬৩, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও নম্বোলগী মখাদা ২৫, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও বিষ্ণুপুরগী মখাদা ১৩, রিটর্নিং ওফিসর/...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

দেসামগী প্রসিদেন্ট অঙম্বা ফূবদা চেন্নবা পার্সনেল ৩ সস্পেন্দ তৌখ্রে

নোংমৈ মরূ য়োন্থোকপা সুবেদার সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট’স এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অঙম্ববু পুলিস কষ্টদিদা ঈহিং-নাইহিং শানা ফূবদা চেন্নবা পুলিস পার্সনেল অহুম থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা পুলিস পার্সনেল অহুম অদুদি, হেদ কন্সটেবল টি কুমার, হেদ কন্সটেবল টি ঐচ অমুজাও অমসুং কন্সটেবল রবিকুমারনি। মখোয় অহুম্মক শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা এটেচ তৌরগা লৈবনি হায়রি।

মখোয়না সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিঙৈগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রিজার্ব লাইনদা লৈগদবনি। ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা মখোয় অহুম হেদ কার্টর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়নসু সস্পেন্সনগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

মরক অসিদা, নোংমৈ মরূ য়োন্থোকপদা চেন্নবনি হায়বা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী সুবেদার ৱাই দট্টসেন দি জি পিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মহাকসু ষ্টেসন থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

হেলঠ দিরেক্টর ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ : হেলঠ সার্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইরিবা ডা. কে লোকেন্দ্রো দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা কন্সল্টেন্ট ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রে। মহাক্কী মহুৎ শিনগদবা দিরেক্টরদি হাপ্পা লৈত্রি।

ডা. কে লোকেন্দ্রো ট্রান্সফর তৌখিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি চহী ৬২ দগী হেনবা মীওই অমা এদমিনিষ্ট্রেসনদা লৈবা য়াদে হায়বা লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্ননি। মহাক্না সার্ভিস তৌরকপা হয়েং চহী ৬২ মপুং ফারে। মহাক হয়েং থবক্তগী পোত্থাফম থোক্লবসু মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না এলোপেঠিক অমসুং দেন্টেলগী কাদরশিংনা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট অমসুং মসিগী মথক্তা ওইরবদি মীওই অদুগী সার্ভিসকী মতম চহী ৬৫ ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

মহৈরোয়শিংনা মতম ঙাক্না চৎপনা মায় পাক্লবগী লম্বীনি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) :

মতম ঙাক্না চৎপনা মায় পাক্লবগী লম্বীনি হায়না ঙসি পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ৪৫ রক শুবা চহীগী প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বদা স্কীল দিভলপমেন্টসু তম্বীবা হায়বসি তঙায়ফদে।

মীওইবনা হিংবদা প্রোব্লেম কয়া হেক্তা থোক্লকই। প্রোব্লেম থোক্লকপা মতমদা সোল্যুসন পুথোক্কদৌরিবা অসি ঙসিগী মহৈরোয় ময়াম অসিনা ওই। মহৈরোয়শিং গাইদ তৌগদৌরিবা অসিনা ওজা অমসুং অহল-লমনশিংনা ওই। মনা ফঙলিবা মহৈরোয়শিং অসি হোৎনবা কনবা, থকশি খাসি ঙাকপা ওইগনি খল্লি।

হোৎনবা কনবা, থকশি খাসি লৈবা, ওজাশিংবু ইকায়খুম্নবা চৎলবদি হেন্না অৱাংবা থাক্তা কাখৎলকপা ওইগনি। খ্বায়দগী মরুওইরিবা অসি মতম করম্না শীজিন্নগদগে হায়বা অসিনি। ইমুং মনুংদা অৱা অনা লৈবদগী লাইরিক লৈবা ঙমদবদগী মনা ফঙবা ঙমদ্রিবা মহৈরোয় কয়াসু নোংমদি অফবা মী ওইহনবীনবা তাইবঙ শেন্বা মপুদা নীসি। ওজাশিং অমসুং অহল-লমনশিংনসু মহৈরোয়শিংগী করি খুদোংচাদবা লৈ হায়বসি থিগৎপীবা চঙই। হৌজিক চীংদা ওজা ৱাৎলি। প্রাইমারি ওজা কয়া তৌসেম, হেঙলেপনচিংবদা চৎলু হায়বা হেক্তা য়াদে। দিষ্ট্রিকৱাইজগী ওইনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

গ্রেটর নাগালিম শেম্বগী ৱাফম সেন্টরনা য়ানিংদ্রি

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :

নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ-খপলাং (এন এস সী এন-কে) সু অথুবা মতমদা সেন্টরগা ৱারী শানবদা য়াওরকপা য়ানা লৈরে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)গী ছোর্স পল্লদুনা অসাম ত্রিব্যুনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, পিছ প্রোসেসতা এন এস সী এন-কে য়াওরক্লবগী মতাংদা ফীলর থারকপা হৌরে। অথুবা মতমদা লূপ অসিসু পিছ টোকতা শরুক য়ারকপা য়ানা লৈরে। অদুমওইনমক করম্বা মতমদগী এন এস সী এন-কেনা পিছ টোকতা শরুক য়ারক্কদগে হায়বদুদি ময়েক শেংনা পন্দে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গী মরক্তা চত্থরকপা পিছ টোক খুমাঙ চাউশিল্লে। অদুমওইনমক নাগালেন্দগী তোখায়বা কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী মতাংদা লূপ অসিনা পুখৎলকখিবা ৱাফম সেন্টরনা অয়াবা পীখিদ্রে হায়রি।

এম ঐচ এগী ছোর্স পল্লদুনা অসাম ত্রিব্যুনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, এন এস সী এন (আই-এম)না তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমদি পাসপোর্ট সিষ্টেম লৈহনবগী ৱাফম পুখৎলকখ্রবসু সেন্টরনা অয়াবা পীখিদ্রে। আই-এমনা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট খরগী লম লৌশিল্লগা গ্রেটর নাগালিম শেম্বগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমসু সেন্টরনা য়াখিদ্রে হায়রি।

মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা অতোপ্পা ষ্টেটকী লম লৌথোক্লগা গ্রেটর নাগালিমগী মনুং চলহনবা হায়বা ৱাফম য়াবা ঙম্লোই হায়না সেন্টরনা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ছোর্স অমনা হায়খি, এন এস সী এন (আই-এম)না করিগুম্বা অতোপ্পা ষ্টেটশিংবু পূক্লিং ওলহন্দুনা গ্রেটর নাগালিমগী মতাংদা অয়াবা পীহনবা ঙম্লবদি সেন্টরনসু হীরম অসিদা অয়াবা পীগনি হায়বগী থাজবা থমখি। অদুবু ষ্টেট অমত্তনা হীরম অসিদা অয়াবা পীরক্ত্রিবা মরম্না সেন্টর অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা সাইন তৌনগদবা ফাইনেল এগ্রীমেন্টনা অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ছোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম ঐচ এগী ছোর্স অদুনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ৱারী শানরিবা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানদবা ৱাফম খরা লৈরি। অদুমওইনমক করম-করম্বা হীরমদা য়ানবা ঙমদ্রিবনো হায়বদুদি ছোর্স অদুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদে।

নাকল অনী য়ানদ্রিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবদি মশীং য়াম্লবা এন এস সী এন (আই-এম)গী খূৎলায় পায়বা কাদরশিং খুন্দা-লৈতাহনবগী মতাংদনি। নাকল অনীনা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনরবা মতুংদা খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিং করম্বা ফীভমদা থমগদগে ...*মখা লামায় ৩ কলম২*

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/2145/26/8-26/9